# মণিপুরী নট সংকীর্তন হৌরকপা অমসুং চাউখৎলকপা

## (Emergence and Development of Manipuri Nata Sankirtana)

**Dr. N. Amarjit Singha[1] Y. Urmila Leima[2]**

[1]Assistant Prof., Dept. of Manipuri, Rabindranath Tagore University, Hojai, Assam, 782435.
[2]Research Scholar, Dept. of Manipuri, Assam University, Silchar, Assam 788011.

Correspondence E-mail: amarjitsingha65@gmail.com

**ৱামচং (Abstract) –** নট সংকীর্তন মণিপুরীশিংগী পূন্সিরোলদা থাদোক্লবা য়াদ্রবা মহাযজ্ঞগী শক্তম ওইরবা থৌরম অমনি। অদুবু হৌজিক উরিবা শক্তম অসিমক্তি মতম অমদা নত্রগা তাংকক অমদগী হৌরকখিবা নত্তে। মীরোল কয়া, নিংথৌরেল কয়ানা মথং মথং হাপকৎলক্তুনা তপ্পা তপ্পা চাউখৎলকখিবনি। মণিপুরীশিংগী পোকপদগী শিবা ফাওবগী পুন্সি থোঙচৎতা নট সংকীর্তনগা তৎন থানবা য়াদবা মরী অমা লৈনরী। মসিনা ঈশ্বরগী থূয়া য়ৌনবগী লম্বী অমনি হায়না লৌনৈ। ভাগ্যচন্দ্র মহারাজগী মতমদা মপুং মরৈ ফারকখিবা মণিপুরী নট সংকীর্তন অসি মহারাজ চন্দ্রকির্তি সনা হাক্তক্তদি হেন্না নীংথিজবগা লোয়নননা অনৌবা কয়া অমসু হাপকৎলক্তুনা থম থেংনা চাউখৎপগী তাংকক য়ৌরকখি। ঈশ্বর ভক্তি হায়বসিনা হিন্দু শাস্ত্রদা খ্বাইদগী মরু ওই। ঈশ্বর ভক্তি হায়বসিগী মনুংদা সংকীর্তন হায়বসিনা অমুক্কা হেন্না মরু ওইবা হেল্লী। মসিমক্কা মণিপুরীশিংগী পুন্সিরোলদা সংকীর্তন অসি তৎন থানবা য়াদবগা লোয়নননা অচৌবা মফম অমা কল্লিবনি। ঙসিদি মণিপুরী নট সংকীর্তন ভারতদা নত্তনা মালেমগী মফম কয়াদা শকথঙবীরে অমসুং মসিগী চপ চাবা ফীদা অমা ফংলে।

***মরু ওইবা ৱাহৈশিং (Keywords):*** *কীর্তন, মণিপুর, মণিপুরী, সংকীর্তন, নট সংকীর্তন ।*

### I. ৱাহৌদোক (INTRODUCTION)

থুনাই নত্রগা কাংলুপ অমগী পুন্সিরোলদা জগোয়-ঈশৈ, লাইনিং-লাইশোনগী ওইবা ঈরাৎ থৌনি কয়ামরুম লৈ। মণিপুরীশিংগীসু য়েলহৌঙেদগী লোয়নরকপা জগোয়-ঈশৈ, ঈরাৎ-থৌনি, লাইনিং-লাইশোনগী ওইবা ঈরাৎ পূজা কয়ামরুম লৈরি। অদুগা অমুক মায়কৈ অমরোমদা ধর্ম্মগী ওইবা অহোংবনা মরম ওইরগা মণিপুরী (মৈতৈ) শিংগী পুন্সিরোলদা অমসুং ঈরাৎ-থৌনিগী থৌরম কয়াদা চাওনা অহোংবা লাকখি। মণিপুরদা নট সংকীর্তনগী চপ চাবা থোঙহৌ অমা লাকখিবসিসু হিন্দু ধর্ম্মনা মণিপুর অমসুং মণিপুরীশিংগী পুন্সিদা তংদু লৈতাবা মফম অমা কল্লবা তুংদতনি। ভাগ্যচন্দ্র মহারাজগী মমাংদা পাল্লম্বা নিংথৌশিং মৈদিংঙু কিয়াম্বা, মৈদিংঙু চলাম্বা, মৈদিংঙু মুংয়াম্বা, মৈদিংঙু খাগেম্বনচিংবা কয়াগী হাক্তক্তা মপান লমদগী ব্রহ্মণশিং তাংকক নাইনা থুন্থোকলকখ্রবসু মণিপুরদা হিন্দু লাইনিং শন্দোকপদি ঙমখিদে। অদুবু হীন্দু ধর্ম্মগী ঈৱায় ঈনিল থরদি মণিপুরদা য়ৌরকখ্রে হায়বদা হায়মনবা থোকলোই। মণিপুরদা নট সংকীর্তনগী মপুং ফাবা মশক অমগা লোয়নননা প্রেম, ভক্তি, সাধনানা য়োমলবা মহাযজ্ঞ অসিবু পাক শন্না মণিপুরী থুন্নাইগী শরুক অমা ওইরকখিবদি মহারাজ ভাগ্যচন্দ্রগী মতমদগীনি। তাংকক অসিদগী হৌদুনা ঙসি ফাওবা মণিপুরী থুনাইগী থাদোক্লবা য়াদ্রবা শরুক অমা ওইদুনা লাকলি।

### II. পান্দম (OBJECTIVES)

নৈনচে অসিগী মরু ওইবা পান্দমদি মণিপুরী নট সংকীর্তনগী হৌরকফম থিবনি। মতৌ করম্না মণিপুরী নট সংকীর্তন হৌরকখি অমসুং করম্বা নিংথৌগী হাক্তক্তা মপূঙ মরৈ ফানা মণিপুরীশিংগী পুন্সিগী থাদোক্লবা য়াদবা শরুক অমা ওইবতা নত্তনা মালেমগী মীয়াম্না শকথঙনবা হৌরকখি হায়বসিনি। মণিপুরী নট সংকীর্তন চাওখৎলকপগা লোয়নননা ভারত অমসুং মালেমদা মণিপুরীশিংবু মশক তাকলকপগী মতাং অদু নৈনজগনি।

## III. নৈনবগী কাঙলোন (METHODOLOGY)

রিসর্চ পেপর অসি ইবগী মথৌ তাবা ডাটাশিং লাইরিক র্জনেল, রিসর্চ আরটিকল অমদি থেসিস কয়ামুক নৈনজগনি। অদুগা নৈনবা মতমদা হিষ্টোরিকেল মেথোদ শীজিন্নগনি। লম অসিদা থঙহৈরবা নট সংকীর্তনগী ওজা গুরুশিংগা ৱারী শাবা অমদি নৈনদুনা রির্সস পেপর অসিবু মপূঙ ফানবা হোৎনগনি।

## IV. নট সংকীর্তন হৌরকপা অমসুং চাউখৎলকপা

মণিপুরী নট সংকীর্তন করম্বা মতমদগী হৌরকখিবগে হায়বগী মতাংদা চপচাবা ৱাখে অমা পীবা অদুমক ৱানা থোকলি। অদুবু ঐখোয়না হৌজিক হৌজিক উরিবা নট সংকীর্তনগী মশক অসিদি ভাগ্যচন্দ্র মহারাজগী মতমদা হৌরকখিবনি হায়বসিমদি অয়াম্বনা য়ানরবা ৱাফমনি। অদুবু মহারাজ ভাগ্যচন্দ্রগী মমাঙদা পাল্লম্বা নিংথৌশিংগী মতমদসু মসিগী মপূঙ ফাদবা মশক অমা শাগৎলম্বা উবা ফংই। নৈনরোই থরনদি মণিপুরী নট সংকীর্তনবু য়াম্না ঙনখৎনা হৌরম্বগী ৱাফমশিং পীবা থেংনৈ। মসিগী তাংকক অসি থরা হেন্না শীজিন্ননিঙাই অমসুং থন্ননিঙাই ওইরি। মরমদি অইবা রেকোর্দশিং অমসুং সাইন্টিফিক প্রমাণশিংগী মতুং ইন্না হায়রিবা থিওরি অসিগী তায়োন্নবা মশক অমা উবা ফংই হায়বা য়াই। মণিপুরী নট সংকীর্তন হৌরকপগী মতাংদা য়াম্না তোয়না পল্লিবা ৱাফমদি মৈদিংঙু কিয়াম্বগী মতমদা পোং নিংথৌনা বিষ্ণু চক্র পীরক্কুনা চক্র অদুবু বিষ্ণুপুরদা ফূরা শাদুনা ঈরাৎপা অমসুং আরতিনচিংবা কৎপা হৌখিবদগী মণিপুরদা সংকীর্তনগী মরু হুনখি হায়বসিনি। ৱাফমশিং অসি 'বিষ্ণুপুরান' অমসুং *বিজয় পঞ্চালি*নচিংবা লাইরিকশিংদা পল্লম্মী অমসুং নৈনরোয়শিংনা মসিদা য়ুম্ফম ওইরগা নট সংকীর্তন হৌরকখি হায়না শাগৎলি। অদুবু অতৈ মরি লৈনবা লাইরিকশিং অমদি সোর্সকী মতুং ইন্নদি নট সংকীর্তন হৌরকপগী মতম অসি চান্নবা থরা ৱাৎলি। 'বিষ্ণুপুর' হায়বা মফম অসি মৈদিংঙু কিয়াম্বগী মতমদা বিষ্ণুপুর কৌরমদে। লমাংদোংবু বিষ্ণুপুর কৌরকখিবসি মহারাজ ভাগ্যচন্দ্রগী মতমদগীনি। ৱাফম অসি *শামু ফাবা অমসুং গোবিন্দ নিরুপন* কৌবা লাইরিক্তা ইরম্মী:

> লোইয়া মতাইমা থূরোই হাওবা লমলাংতোং খোইমোম লাইমিৎথু কূমনবম, চীংঙু লাইৱাংলা তানালমতা পোইরৈ লৈপাক পূম্না তিন্ন কোনুং চাওকোই শেমনা অসূমনা পোইরৈ লৈপাক লিংখৎলরবদ... চিংঙু মরমকু খোইমোম মথৌজানগী পোইরৈ মরাং হৌ, ৱাংঙম মথি নাইরকলে। কোনুং মমিংথোনবু বিষ্ণুপুর হায়না কোলোই মিং থোল্লে।[১]

অদুগা বিষ্ণুপুরদা মৈদিংঙু কিয়াম্বগী মতমদা ফূরা শাদুনা বিষ্ণু পুজা তৌথি হায়রিবা ফূরা অসি অর্কিওলোজিষ্টশিংনদি চরাইরোংবগী মতমদা শারম্বনি হায়না মত পী। মদুদি:

> We fine it was during the period Charairongba (1697-1709) which marked the beginning of Temple construction in Manipur… Further, King Kiyamba was not formally initiated into Vaishnavism. Actually the Vishnu worship and the Vishnu cult attained popularity first during the time of Charairongba.[২]

মসিগীসু মথক্তা মণিপুরগী ইতিহাস নৈনবশিং পণ্ডিত বি. কুলচন্দ্র শর্ম্মা অমসুং খোকচোম অঙৌনচিংবনদি বিষ্ণুপুরদা কিয়াম্বগী মতমদা শারম্বনি হায়নরিবা ফূরা অসিগী ষ্ট্রকচর, মেটরিয়েল অমদি লমদমসিগী এনভাইরোনমেন্ট, ইকোলোজি অমসুং ইতিহাস য়েংলগা ভাগ্যচন্দ্রগী মতমদগী ঙনখৎনা লৌবা ঙমদে হায়না ফোংদোকই। মরম কয়ামুক অসিদগী 'বিষ্ণুপুরান' অমসুং *বিজয় পঞ্চালি*দা পল্লমলীবা ৱাফমশিং অসি মখা তানা থন্ননিংঙাই ওইরি। অদুগা মণিপুরগী পুৱারী নৈনবদা থ্বাইদগী মরু ওইব সোর্স অমা ওইরিবা *চৈথারোল কুম্বাবা*দা মৈদিংঙু কিয়াম্বদা পোং নিংথৌনা বিষ্ণু চক্র পিরকপগী মতাং অসি অতোপ্পা ৱাফম ওইনা পল্লম্মী। লাইরিক অসিদা মৈদিংঙু কিয়াম্বগী মহুত্তা মৈদিংঙু গরিবনিৱাজগী মতমদা য়াই ওইনা পীরকই হায়না পল্লি:

> ইঙেন থা থা অহুন নোংদা পোং নিংথৌ খেখোম্বগী য়াইবু নিংথেমগা পোং নিংথৌগা কুচুদা ফম্মিন্নবদা পীএ।[৩]

মৈদিংঙু কিয়াম্বগী মতমদা বিষ্ণু মন্দিরদা পূজা তৌদুনা কীর্তন শকই হায়বসিগী ওন্ন তৈনবা অতোপ্পা ৱাফম অমনা মৈদিংঙু থাগেম্বগী হাক্তক ফাওবা লৈবাক অসিদা লৈরম্বা ব্রহ্মনশিং লৈবাক্কী ওইনা পাঙথোকপা হরাও কুম্মৈশিংদা য়াওহন্দনা হন্থবা থাক্তা থল্লম্মী।[8] ৱাফম অসি মণিপুরদা এসিষ্টেন্ট পোলিটিকেল এজেন্ট ওইরম্বা টি.সি. হডসন্নসু মাগী লাইরিক *দ মৈতৈস্*তসু পল্লম্মী।

> This Lumchel is a competition between the different ‘Punnahs’ or classes among the Munniporie population. Brahmins, as also the lowest class of Munnipories, the Looees are not allowed to complete.[5]

অদুগা অমুক মথা তানা মৈদিংঙু অসিগী মতমদা ব্রহ্মণশিংনা থা অমা চুপ্পা খোল য়ৈদুনা বিষ্ণুদা কীর্তন কৎখি হায়বা ৱাফমশিং অসি ‘নোংচুপ হারমলোন’, ‘বামোন খুন্থোকলোন’নচিংবা লাইরিকশিংদা পল্লম্মী। মতাং অসিদা পনবা য়াবা ৱাফম অমনা খোল হায়রিবা যন্ত্র মখল অসি মণিপুরদা চন্দ্রকীর্তি মহারাজগী মতমদা চঙলকপনি হায়না সুরচান্দ শর্ম্মাগী লাইরিক *মৈতৈ জগোই*দা পল্লমলিবসিনদি মথক্কী ৱাফম অসিগা চান্নবা ৱাৎলি। মণিপুরী নট সংকীর্তন হৌরকপগী শরুক অমা ওইনা মৈদিংঙু গরিবনিৱাজগী মতমদা খৃষ্টগী চহি ১৭৪৬ ইঙেনগী ২৪নি য়ুমশাকৈশাদা শিজ খুরাইলৈমা কুমওন শকই হায়না *চৈথারোল কুম্বাব*দা পল্লি।

> ঙরাইবম মুংথাংগী কুম শক ১৬৬৮, ২০ নি লংমাইচিংদা শজিবুগী পোলোক নুমিৎ ওইএ। ... ইঙেন থা নিংথৌ কাবনা হংএ। ... ২৪ নি য়ুমশকৈশাদা কাল্লক লাকপা মতু চনু থোইবী কৈথেল অদুম্ময়দা চঙথিএ। অদু নুমিৎতা শীজ খূরাইলৈমা পুন্যবতীগী কুমওন শকএ।[৬]

অদুগা অমুক্কা মৈদিংঙু ভরতশাইগী হাক্তক খৃষ্টগী চহি ১৭৫২ গী ইঙাগী ৫নি য়ুমশকৈশাদা ইবুংশি আনন্তশাইনা তোম্ফাং হিদেন্দা মপা ইবুংঙো ময়াংঙম্বগী লূ লৌবা চৎলি অমদি নাম সংকীর্তন শক্তুনা শ্রাদ্ধ তৌরম্মী হায়না ইরি।[৭] অসিগুম্বা সংকীর্তনশিং অসি হৌজিক দেব কর্ম্মদা শক-শোন্নরিবা সংকীর্তনগী মশক অমা ওইরম্বা য়াই অমসুং মতম অসিদগী হৌদুনা মণিপুরী নট সংকীর্তনগী মপুং ফাদবা ঈচেন অমা চেন্থবা হৌরকখ্রে।

মণিপুরী নট সংকীর্তনগী খোঙচৎ অসি মহারাজ ভাগ্যচন্দ্রগী মতমদা খরা হেন্না য়েক শেংলক্লে হায়বা য়াই। মহারাজ ভাগ্যচন্দ্রনা ইকুই কুইদনা নিংথৌ ওইবগা মোইরাং নিংথৌ খেলৈ নুংনাং তেলহৈবগা লৌতুনদুনা লান হৌরক্লবদা মরৈবাক থাদোক্তুনা চেল্লক্লগা অহোম নিংথৌ স্বর্গদেবতা চঙজখি। মহারাজ ভাগ্যচন্দ্রনা অহোম লৈবাক্তা লৈরিঙৈদা অহোম নিংথৌ স্বর্গদেবনা মহারাজ ভাগ্যচন্দ্রগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎপা ওইনা মীওই ৭০০ মুক্তা শরুক য়াবা ‘ভাউনা’ হায়না খঙনবা বৈষ্ণব নাট্যগী মশক ওইবা কুম্মৈ মখল অমা উৎখি।[৮] কুম্মৈ মখল অসিনা মহারাজ ভাগ্যচন্দ্রগী মফমদা জগোয় রাস হৌদোক্লবগী অকনবা ঈথিল অমা পীরম্বা য়াই। অদুগা মতম খরা লৈরগা অহোম নিংথৌ স্বর্গদেবগী মতেংনা মণিপুরদা অমুক হন্না নিংথৌ ফম্বাল হজিল্লবা মতুংদা খৃষ্টগী চহি ১৭৭৯ হিয়াঙ্গৈগী ১১নি ইরাই হরিউথান নুমিৎতা কাঞ্চিপুরগী রাজমণ্ডলদা শ্রীগোবিন্দ অভিষেক তৌরগা নুমিৎ মঙানি চুপ্পা মেরা ৱাফুকপা ফাওবা রাস শান্নখি।[৯] হায়রিবা রাস অসিগা লোয়নননা হৌজিক হৌজিক উরিবা নট সংকীর্তন অসিসু হৌদোকখি। তাংকক অসি মণিপুরী সংস্কৃতিগী লমদা য়াম্না মরু ওইবা খুনিংথেক অমনি। সংকীর্তন অদুদা মহারাজ ভাগ্যচন্দ্র মশামকনা পুং থোনখি, ওজা প্রেমানন্দনা থৌগল ইল্লি, মতোন ইবুংঙো ঙৌব্রাম শাইনা ঈশৈ হল্লি, মতোন ইবুংঙো ধরশাইনা দুহার চতুনা নট সংকীর্তনগী চপ চাবা মশক অমা শেমগৎতুনা খুদোল তমখি। মসিদগী হৌদুনা নট সংকীর্তনগী ঈচেলদা পাক চাওবা অমদি অনৌবা কয়া হাপকৎতুনা হেন্না ফজবা মওংদা শেমগৎলকখি। মথা তানা খূরাই, ৱাংখৈ, য়াইস্কুল, খ্বাই অমদি সেবক পালানচিংবা পানা পালাশিং হৌদোক্তুনা হৌজিক পুং অমসুং কর্ত্তালগী মশক অমা উবা ফংলিবা অসিনি। অদুগা অরিবা পালা নত্রগা বঙ্গদেশ পালা হায়না মীয়াম্না খঙনরিবা সংকীর্তন মখল অসি ভাগ্যচন্দ্র মহারাজগী মতমদগী লৈরকলম্বা তারবসু লৈবাক পাক শন্না খঙনরকখিবদি মৈদিংঙু অসিগী মতমদগীনি হায়বা য়াই। মরমদি পালা হায়বা ৱাহৈ অসি মৈদিংঙু অসিগী মমাংদা শীজিন্‌নরম্বগী খুদম নত্রগা মসিগা মরি লৈনবা লাইরিক অমত্তদা পল্লম্বা থেংনদে। অদুগা বঙ্গদেশ পালাগী ওজা অয়াম্বা ভাগ্যচন্দ্র মহারাজগী মতমগী ঙাক্তনি। সনা হাক্তক অসিদা মজাইবেম্মা বিম্বাবতিনা ঈশৈ হন্দুনা রাশেশ্বরী পালা (নুপী পালা) অমসুং হোলী পালা শকনরম্বগী ৱাফম *চৈথারোল কুম্বাব*দা পল্লম্মী।[১০]

ভাগ্যচন্দ্র মহারাজগী মতুং তারকপা নিংথৌ কয়াগী মতমদসু মণিপুরী নট সংকীর্তনগী ঈচেল হেন্না য়াংনা চেন্থরকখি। ইনিংথৌ অসিনা মহাধুমেলগী পূংলোন ওজা কয়াগা তানদুনা শেমগৎলম্লগা শ্রীগোবিন্দদা কৎপা ঙমদনা নোঙ্গাখি। মৈদিংঙু অসিনা পূং ঈশৈগী রাগ, সঞ্চার, তালনচিংবা কয়া শেম্লম্মী। মার্জিৎ মহারাজগী মতমদসু 'নিত্যায় ধুমেল' শেম্বীরম্মী। মসিগী মতুংদদি মণিপুরদা তংদু লৈতানা নিংথৌ পানবা ঙমদবদগী কাছাড়দা মণিপুরগী নিংথৌ মচাশিং লাঞ্জেন্নথ্রগা কাছাড় লৈবাক খুদুম চল্লবা মতুং শরুক অহুমথোক্লা থায়দোক্কুনা গুমরা, ঝাপিরবন্দ অমদি ডুঙ্গুরীরপার হায়রিবা মফমশিংসিদা মথংশিৎনা গম্ভীরসিংহ, মার্জিৎ অমসুং চৌর্জিৎনা নিংথৌ ওইদুনা পানখি। মসিগী মতাংদা উপেন্দ্রচন্দ্র গুহগী কাছাড়ের ইতিবৃত্ততা অসুম্না পল্লি:

> কাছাড় রাজ্য ইতিপূর্ব্বেই দুই অংশে বিভক্ত হুইয়াছিল, এক্ষনে তিন অংশ বিভক্ত হইল। এই সেময় হিতে ১৮২৩ খৃ: পর্যন্ত কাছাড়ের সমতলভাগ ভ্রাতৃএয়ের মধ্যে বিভক্ত ছিল। তাঁহাবা পৃথক রাজধানী স্থাপনপূর্ব্বক রাজ্য শাসন করিতে লাগিলেন। গম্ভীর সিংহ তিলাইন পাহাড়ের পাশ্চিমদিক প্রাপ্ত হইয়া ঝাপিরবন্দ নামক স্থানে এবং চৌরজিৎ সিংহ, তিলাইন পাহাড়ের পূর্ব্বংশ প্রাপ্ত হইয়া সোনাইমুখের নিকটবর্ত্তী ডুঙ্গুরীপার নামক স্থানে রাজত্ব করিতে লাগিলেন।[১০]

কাছাড়দা মৈতৈশিংনা খুন্দাবা হৌথিবসি থৌদোক অসিগী মমাংদগী ওইরবসু মতম অসিদগী পাক শন্না তংদু লৈতানা খুন্দাবা হৌরকখি। মফম অসিদা মার্জিৎ মহারাজনা ঝাপিরবন্দা নিংথৌ ওইনা পাল্লিঙৈদা নিত্যাই ধুমেল কৎলম্বা হৌজিক ফাওবা ঝাপিরবন্দগী অহনশিংনা ৱারীনরি। গম্ভীরসিংহ মহারাজনা মণিপুরদা অমুক হন্না নিংথৌ খুভম হঞ্জিল্লবা তুংদদি নট সংকীর্তনগী লমদা খুমাং চাউশিল্লকখি। মশামক পূং য়েবা অমা ওইবগা লোয়ননা ঢপ কীর্ত্তন অমসুং কাংচিংবা লোয়ননা জয়দেব চোংবা, থূবাক ঈশৈনচিংবা হৌদোকপীখি। নরসিংহ মহারাজগী মতমদা 'গৌর ধুমেল' পূংলোন কয়ামুক রাগ, তাল, শেম্বগা লোয়ননা ঝুলোন পালা, গৌর লীলা, শনশেনবনচিংবা কয়া হৌদোকপীরম্মী। সনা হাক্তক অসিদা হৌজিক ঐখোয়না উরিবা ফেজোম নামৈ লৈনা য়েপ্পা, খ্বাঙয়েৎ চেৎনা ফাবা, কোকয়েৎ, কতার্ল মরী অশাংবা অসিনচিংবা শীজিন্নবা হৌদোকখি।[১১]

মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্তিনা মণিপুরদা নিংথৌ ওইনা পানবা মতম অসি মণিপুরী নট সংকীর্তনগী খ্বাইদগী হেন্না থম থেংনা চাউথৎপগী যুগ ওইখি। সনা হাক্তক অসিদা 'পালহন' 'পালানহা', 'লম্বোইবা পালা' লোয়ননা লাইরেম্বী 'ধুমেল' মেন তরানিথোই মেলগী চোলোম অচুম্বা অমসুং অরৈবী, রাগ, তাল, শৈগোন্নবী পূংলোন শৈগোন্নদবী পূংলোননচিংবা কয়া পুথোকখি।[১২] অদুগা মতাং অসিদা পনবা য়াবা ৱাফম অমদি সনা হাক্তক অসিদা মণিপুরদা নট সংকীর্তনগী মনুংদা লুহোংবা অমসুং ঈনোৎ অমা ওইনা মৈতৈলোনগী শৈশকসু চঙবা হৌরকখি। মণিপুরদা তোঙান-তোঙানবা পালা মখল কয়াসু লিংখৎলকখি। থরদং পল্লবদা 'পালাহন', 'পালানহা', 'পালা য়াইমা', 'পালা অমনবা', 'সেবক পালা', 'য়াইরিপোক চাবা', 'বামজিগী পালা', 'মহাবল্লি ঠাকুর পালা', 'কালিকা দেবী পালা', 'অব্দন্ত প্রভু'গী পালানচিংবনি। ৱাফম অসি টি.সি. হডসন্না *দ মৈতৈস*তা য়াল্লা ময়েক শেংনা পল্লম্মী।

> The departments known as Palla-han, Palla-yaima, Palla-naha, Sebok-palla and Yairipok Chaba, discharged duties in connection with the daily ceremonial of the *kirtan* of the Royale family. The amanba seem to have been the choristers and musicians of Govindaji, while the Bamjigi Palla, the Mahaballi Prabhugi Palla, the Kammokha Devi (kamaikhya Debi) ministered unto their Dieties.[১৩]

নিংথৌ কয়াগী হাক্তক্তগী মথং মথং চাউথৎলক্তুনা শারেপ ফারকখিবা পূন্নমকসি মপান লমগী লোন্দা শাদোং ওইরগা হৌরকপনি। য়েলহৌঙৈদগী লোয়নরকপা উমংলাই হরাওবা, শাগৈগী অপোকপা থুরুম্বা থরথক নত্তনা মৈতৈলোনগী মফম লৈরমদে। সংকীর্তনদা মৈতৈলোনগী শৈশক অসি অহানবা ওইনা চূরাচান্দ মহারাজগী মতমদা হোলি ঈশৈ ওইনা হৌরকখি। সনা কোনুংগী শ্রীগোবিন্দগী মাণ্ডপ্তা বামোন ফূরাইলাৎপম বিধু, থাইদেম মচা নোংয়াই অনীনা শেমদুনা মৈতৈলোন্দা হোলি ঈশৈ থূদোল তমখি।[১৪] অহৌবগী থোঙচৎতা মতম অদুগী অখণ্ড-অহৈ, ওজা-গুরু থরনা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লবসু চূরাচান্দ মহারাজনা লম অসিদা পূক্লিং থৌগৎপীখি। মহারাজ মশামক্লা মৈতৈলোন্দা ঈশৈ ইদুনা শ্রীগোবিন্দদা কৎচখি।

তাইবং পানবগী মপু, শ্রী গোবিন্দ নংগী থুংয়াদা
মীতৈ নিংথৌ ঐনা হায়জয়ে।
লৈপাক পূন্নমক লোয়না,
নংগী সেবা তৌজবনি নংগীদমক্তি পেনবীয়ু হায়না থুরুমজৈ।[১৫]

মতম অসিদগী হৌনা দেবমন্দির, রাধা কৃষ্ণগী থৌগলনচিংবা ঈরাৎ পূজাদা মৈতৈলোনগী শৈশক্কী মমি তম্বা হৌরকখি। মসিগী মথংদা অনিরকশুবা ওইনা খৃষ্টগী চহি ১৯৩১ গী মার্চ থাদা শিংজমৈ মাগুপ্তা ৰাইথোম চাওবনা মৈতৈলোন্দা বাসক শকপা হৌদোকখি। অদুগা নিংথৌগী শক্তি মাঙথ্রবা তুংদা মৈতৈরোনগী সংকীর্তন শৈশক্কা শ্রীশ্রীগোবিন্দগী মাগুপতসু থোঙদারকখি।[১৬]

## V. ৰ◌ারোইশিন (CONCLUSION)

নট সংকীর্তন অসি মণিপুর অমসুং মণিপুরগী মপান্দা চোইজাইননা থুন্দারিবা মণিপুরী থরথক নত্তনা থোইদোক্কা থঙনরমদে হায়বা য়াই। অসিগুম্বা মমল লৈরবা সংস্কৃতিগী মশক অসি ভারত অমসুং মালেমগী মীয়ামদা শকতাকপগী মতাং অসি চাওরাক্কা খৃষ্টগী চহি ১৯৩৯ অদুৰাইদগীনি হায়বা য়াই। মতম অসিদগী হৌদুনা মণিপুরী নট সংকীর্তননা ষ্টেজদা কাদুনা ভারত অমদি মালেমগী মীয়ামদা কাঙলূপ অসিবু মশক তাকপা হৌরকখি। নট সংকীর্তনবু মালেমগী মীয়ামদা শক্তাকপগী লমদা অচৌবা থৌদাং লৌথিবা পূংগী ওজা থরদং পললবদা জগোইগী লমদসু থোইদোক্কা শকথঙনরবা গুরু থিয়াম তরুনকুমার অমসুং য়াম্বেম মহাবীর অনীনা ভারতকী শক্লাইরবা কলাকার উদয়শঙ্করগা লোয়নননা খৃষ্টগী চহি ১৯৩৯দা আমেরিকাদা চৎতুনা নট সংকীর্তনগী শরুক অমা ওইনা পূং চোলোম উৎলুবা অসিনা মালেমগী মীয়ামদা অহানবা ওইনা শক্তাকপনি। হায়রিবা গুরু অসি মতুংদা পূং অমসুং জগোইগী থঙহৈরবা ওজা গুরু থিংবাইজম বাবু অমসুং তৌরাংবম নদিয়া অনীনা খৃষ্টগী চহি ১৯৩০গী অদুৰাইদা রাসিয়াদা অনীরকশুবা ওইনা পূং চোলোমগী মাইথুম হাংখি। মতম অসিৰাইদগী মণিপুরী নট সংকীর্তনগী লমদা অনৌবা থোঙচৎ অমা য়ৌরে হায়বা য়ারে। মৈতৈগী জগোই ঈশৈ, পূং, থাং, তা নচিংবা য়োকখৎপা অমসুং মপান লমদা শকতাকপদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা জে.এন. মণিপুর ডান্স একাদেমী লিংখৎতুনা কলা সংস্কৃতিগী থোঞ্জেল হেন্না মাঙশিল্লকখি। মসিগী মথক্তা গোভরমেন্ট ডান্স কলেজ, মণিপুর য়ুনিভরসিটিদা ডান্স এণ্ড ম্যুজিক ডিপার্টমেন্ট অমদি হৌজিক্কা মণিপুর য়ুনিভরসিটি ওফ কলচর মথং মথং লিংখৎতুনা মণিপুরী নট সংকীর্তনগী মতিক চাবা মহৈরোই কয়া পুথোক্তুনা চাউখৎপগী লমদা মাংদা চঙশিল্লকখি।

## VI. ACKNOWLEDGEMENT

Authors are thankful to the Nata Sankiartana Gurus and other informants for providing insightful information and useful comments while writing this research paper. We are also thankful to our anonymous reviewers for their valuable suggestions.

## CONFLICT OF INTEREST

Authors declare that there is no conflict of interest regarding this paper.

## ENDNOTES

১রাজকুমার স্নাহল সিংহ বি.কম. (সম্পাদক), *শামু ফাবা অমসুং গোবিন্দ নিরুপন* (ইম্ফাল: রাজকুমার জয়ন্ত সিংহ, ১৯৭৫), লা: ৪২–৪৪।

[২]L. Kunjeshawori Devi, *Archaeology in Manipur* (New Delhi: Rajesh Publications, 2017), p. 113.

[৩]লাইরেনময়ুম ইবুংঙোহন সিংহ অমসুং নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র (সম্পাদক), *চৈথারোল কুম্বাবা* (ইম্ফাল: মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ২০১২), লা: ১০২।

[৪]নামৈরাকপম ইবোচৌবা সিংহ, অরিবম চিত্রেশ্বর শর্ম্মা, ব্রহ্মচারিময়ুম কুলচন্দ্র শর্ম্মা, *মৈতৈ বামোন হৌরকফম* (ইম্ফাল: অরিবম সনাহনবী দেবী, ১৯৯৫), লা: ১৮০।

[৫]T.C. Hodson. *The Meitheis* (New Delhi: Akansha Publishing House, 2017), p. 53.

[৬]লাইরেনময়ুম ইবুংঙোহন সিংহ অমসুং নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র (সম্পাদক), *চৈথারোল কুম্বাবা* (ইম্ফাল: মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ২০১২), লা: ১১০।

[৭] --- লা: ১২১।

[৮]*Historical and Cultural Relation between Manipur, Assam and Bengal* (Imphal: Manipuri Sahitya Perishad, 1986), Pp.12-13.

[৯]লাইরেনময়ুম ইবুংঙোহন সিংহ অমসুং নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র (সম্পাদক), *চৈথারোল কুম্বাবা* (ইম্ফাল: মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ২০১২),লা: ১৬০।

[১০]উপেন্দ্র গুহ, *কাছাড়ের ইতিবৃত্ত* (গুৱাহাটি: অসম প্রকাশন পরিষদ, ১৯৭১), লা: ১৩৮।

[১১]কুমারী রঞ্জনা দেবী, *মণিপুরী নট সংকীর্তন* (ইম্ফাল: অইবী মশা, ১৯৮০), লা: ৩৩।

[১২]হাওরোংবম রাজমনি, *মৈতৈ পুংলোন শৈগোন্নবী* (ইম্ফাল: পোক্লফম পাব্লিকেসন, ২০০৫), লা:৮।

[১৩] T.C. Hodson. *The Meitheis* (New Delhi: Akansha Publishing House, 2017), p. 70.

[১৪]লাইরেনময়ুম ইবুংঙোহন সিংহ অমসুং নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র (সম্পাদক), *চৈথারোল কুম্বাবা* (ইম্ফাল: মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ২০১২),লা: ৬২৬।

[১৫]কালাচান্দ শাস্ত্রী, *অশম্বা মণিপুরী সাহিত্যগী ইতিহাস* (ইম্ফাল: ও.কে. ষ্টোর, ১৯৮২), লা: ১৬৫।

[১৬]লাইরেনময়ুম ইবুংঙোহন সিংহ অমসুং নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র (সম্পাদক), *চৈথারোল কুম্বাবা* (ইম্ফাল: মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ২০১২),লা: ৫৭৮-৫৭৯।